# ‘মমিৎতা মমা উনবা থাহৌগদবনি-!’

- এল ইবোমচা -

মালেমসিনা মতুম তারম্লিবা অসি অতৈ অমগী নৎলমদ্রে মশাগী খোঙচৎ কায়দনবা ওইরম্লে। হায়বদি অঙৈং-অশা, নোংজু-নুংশা কায়দনা অমসুং থা ১২গী খোঙচৎ কায়দনা চৎনবা ওইরম্লে। কুমওন অমদগী কুমওন অমদা খোঙচৎ কায়দনা লাক্লবা ওইরম্লে। অরিবা উনা-ৱানা, অনৌবা মনানা শিনবা, অরিবা চহী, অনৌবা চহীনা খোঙচৎ কায়দবা মালেম ওইননবা মতুম তাবা ওইরম্লে। ইংলিসকী ৱাহৈদা হিষ্ট্রি রিপিট ইটসেল্ফ হায়বদু মালেমসি মতুম তারম্বদগী ওইরম্লে। মসিগী খুদমদি কুমজা ১৮১৯দগীনা কুমজা ১৮২৬ ফাওবা অৱানা মণিপুরদা লান্দারকপদগী থোকখিবা চহী তরেৎ খুন্তাকখিবা অদু অমুক হন্না মে ৩, ২০২৩, যূমশকৈশা নুমিৎ অসিদা অৱাশিংনা অনৌবা চহী তরেৎ খুন্তাকপা অমা থোক্লনবা লান্দারক্লিবা অসিনি। তৌবতবু মতম অদুগী চহী তরেৎ খুন্তাকপদুগা চপ মান্ননা থোক্তনবা হায়দুনা মণিপুরগী মীতৈশিংনা অহিং মিংশেল খাংদুনা য়াম্না কন্না ঙাক শেনবগী থবক চথরি। মণিপুরদা য়েলহৌ ফুরুপ কয়ামুক লৈরিবশিংগী মরক্তা মীতৈ ফুরুপখক্লা মরু ওইবা থৌদাং লৌরদুনা ফোরেন্নর কুকি মিলিটেন্টনা মণিপুরবু মচেৎ তাহন্নবা হোৎনরিবা অসিদগী কন্নবা হোৎনরি। কুকি মিলিটেন্টশিংগী লান অসিদগী মণিপুরবু কন্নবা হায়দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা সেন্ট্রেল ফোর্স লিশীং হুম্ফুগী মথক্তা থাজিল্লক্তুনা দিপ্লোই তৌরি। অদুবু সেন্ট্রেল ফোর্সেসশিংনা লান অসি কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা কুকি মিলিটেন্টশিং অসিদা ফোংনা মতেং পাংশিন্দুনা লৈরে। হায়বদি কুকি মিলিটেন্টশিংনা মখোয়গী মমাঙমক্তদা মীতৈশিংদা ওনশিন্দুনা বোম, টোপ, নোংমৈ কাপশিল্লকপদা য়েংদুনা লৈথোকই। অদুগা মদুবু ঙাকথোক্লবা মশাগী খুল ঙাক্লিবা মীতৈ নহাশিংনা মশাগী লাইসেন্স নোংমৈনা খূৎ হল্লুবদনা ফাবা পূনবা, ফুবা চৈবা তৌবী। মদুগী মথক্তা মীতৈনিবু হায়রবদি পাউমীশিং, মীতৈ ইমা ইবেলশিং, নহা অহল খাক্তনা ফুবা চৈবা কয়া’মা চথদুনা লৈরি। মখোয়না শাথীবগী চাংসি কয়ামুক য়াম্না ৱাংবগে হায়রবদা লান খান্বীবগী মহুত্তা নাগাগী যূম, মীতৈ পাঙলগী যূম কয়া মৈ থাদুনা মীতৈগা নুংশিনদনবা ঈরাং থোক্লনবা শিন্দুনা লৈ। ঈরাং মরক্তা লম্বীদা পার্কিং ওইনা থল্লিবা গাড়ী কয়া থুগাইবা, য়ৈখাইবা তৌদুনা ঈরাং চাউথোক্লবা শিল্লি। ঈরাং লাকশিন্নবা লাকপা ষ্টেট ফোর্সেস চঙবা য়াদনবা লম্বী ময়ায়দা মখোয়গী অচৌবা আর্মি গাড়ী কয়া ফৈজিন্দুনা থম্মী। অসুম্না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থারক্লিবা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স মরু ওইনা অসাম রাইফলস অসি মথোং হুক্তবা থবক ঙাক্তা চথদুনা অদুম লৈ। মসিগী খুদম হায়ববু পাউচেশিং, ইলেক্ট্রোনিক্স মীদিয়া, সী সী টিভি কেমেরাগী ফুটেজদা য়াওরকপদগী মালেমগী মীয়াম্না খঙন-উনরবা ঙাক্তনি। মদুগী মথক্তা লৈঙাক পায়বা য়াওরিবা এম এল এ অমনা ঈরাংসিদা অসাম রাইফলসনা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংদা চাউনা মতেং পাংশিল্লে হায়দুনা টিভি, রেদিও অমসুং পাউচেশিংদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

নাকল অমরোমদা মীচমশিংদি সেন্টর অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টগা সূ চৎনরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা অফবা মখলগী খূৎলায়না মীরক নারক য়েংলগা ঙাইহাক লৈতনা মীতৈগী খুলশিংদা নোংমৈ কাপশিনবা, যূম মৈ থাবগী তমথীরবা থবকশিং অসি ঙাকথোক্লবা হোৎনবখক্তদা য়াম্না ৱানা খাংলি। চৈরকসিদা মখল মখা কয়াগী নোংমৈ পীক থন্না য়াওবা অচৌবা গাড়ী অহুম মণিপুরদা থুংলদুনা কুকি মিলিটেন্টশিংগী খূৎতা য়ৌখ্রে হায়না পাউচে খরগী খূত্থাংদগী খঙবা ঙমখি। ঙসিদি ইন্দিয়া টু-দেগী পাউসি অচুম্বা অশেংবা ওইরমদুনা মণিপুরদা সিভিল ৱার থোক্লক্তুনা মীশি মীনা কয়া’মা য়াওরক্তুনা অচৌবা লানবুং মফম ওইরক্লে। নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা অকনবা মওংদা মীতৈশিংগী মথক্তা লান্দারক্লিবা অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অচুম্বা ফিরেপ্তা করিগুম্বা ৱাহৈ অমা হায়দনা তূমিন্না লৈরিবসি তৌগে খন্না তৌবসু মাল্লি। মহাক্লা লান অসি হৌরক্লিবগী মরমদা কনাগুম্বা মীওই খরগী মথক্তা শাওনীংবা লৈবা মাল্লি। মরমদি লান অসি হৌরক্লবগী ৱারী ৱাখোঙ মাগী হৈ-শিংবা এদভাইজর, কেবিনেট সেক্রেটরি অমসুং সেক্রেটরি ময়াম অমা লৈরিবশিংদুদগী অশেংবদু শোয়দনা খঙলম্বা য়াই। হায়বদি অসিগুম্বা ইচু তাদবা লান অসিদা য়াওনীংদবদগী কান্নদে খন্দুনা তূমিন্না লৈশিনখিবা ওইরম্বসু য়াই। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো মণিপুরগী মীয়াম্না খল্লিবদি লৈবাক অসিগী পূম্নমক্কী মপী মপাদি প্রাইম মিনিষ্টরনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা অকনবা ৱা ঙাঙদনা লৈশিনবসিনা কুকি মিলিটেন্টশিংদদি মথৌ হাপ্পা ওইনা থোকখিদুনা মীতৈশিংগী যূম মৈ থাবা, নোংমৈনা কাপ্পুনা অশোক অপন, অশি অনা থোকহনবগী থবক হৌজিক ফাওবদা চথদুনা লৈরি। লান অসিদা হোম মিনিষ্টরনা কুকি মিলিটেন্টশিংদা লান লেপ্পনবা আপীল ফনা তৌরবসু তাবা লৈত্রবনা প্রাইম মিনিষ্টরনা খূৎ থিংজিনবা চুম্লে হায়নরক্লে। লানসিদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীৎয়েং হেক চঙলকপদা শোয়দনা লেপখিনি হায়বসি মণিপুর মীতৈশিংগী অচেৎপা থাজবনি। অদুবু লাইবক থীবদি করি মরম লৈবগীনো হায়বা খঙদে লান অসিদা প্রাইম মিনিষ্টরনা য়াওনীংদবা মাল্লি। মতাংসিদা প্রাইম মিনিষ্টরদা হংনীংলিবদি মীতৈশিংনা লাল্লুবদগী থোক্লকপনি হায়রবসু লাল্লুবদুগী মরম ময়েক শেংনা খঙহন্দুনা তাকপীয়ু, মপী মপা অমা ওইবগী থৌদাং লৌবীয়ু হায়বনি।

অসুম্না তৌরক্কনি থাজদবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌওংসিনা মীতৈ পূম্নমক নীংঙমদবগী চৈনানা থম্মোয়দা খূৎতুম্না শুনদুনা খাঙনরে। হায়বদি মে ৩, ২০২৩, যূমশকৈশা নুমিৎতগী মরম চাদনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈশিংগী মথক্তা লান্দারকখিবা নুমিৎ অদুদা অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ওইবিরম্বা Theodore Roosevelt কী ৱাফমদু খন্নহৌবা য়ারম্বদু খন্নহৌদবা অদুগী হৌজিক্তিদা মীতৈ পূম্নমক খল্লু খল্লুরগা মথম্মোয় প্রোক প্রোক চাকপমখৈ খাঙদুনা লৈনরি। ঙসি ঐখোয়না মাঙজরিবসি কনা লাক্তুনা মেনখৎপীনি? হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা চহী কয়া চঙগনি? মসিদা মরু ওইনা হেন্না মাঙজরিবসি মীতৈশিং ঐখোয়তনি হায়না থম্মোয়দা মখোল থোক্তা তেংথানরি। মতম কয়াম কুইনা লম্বী সরক্তা থোক্তুনা অহিং য়ারেক্তুনা লৈগনি? অমসুং মতম কয়াম কুইনা থাঙ তেন পায়দুনা খুল ঙাক্তুনা লৈখিগদগে? মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎশিংনা শেম্বা গভর্ণমেন্ট অমা ইচাউ চাউনা লৈনা লৈনা মীয়ামগী পুন্সি অমসুং মরল মথুম ঙাকপা ঙমদ্রিবসি করিদগীনো? করিগীদমক্তা লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি ফোর্সনা কুকি মিলিটেন্টশিং অসিবু লাকশিনবা ঙমদ্রিবনো? মতম কয়াম কুইনা কুকি মিলিটেন্টশিংবু ফ্রীদা থাদোক্তুনা থমখিগদগে? সূ হন্দোকপা কয়াম লূবা থবক্লো? সূ হন্দোক্লগা লান লোইশিন্দুনা শান্তি পুরক্কনি হায়বা খঙনা খঙনা করিগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা তৌদবনো? মখোয় লাকশিনবদা মণিপুর অমসুং সেন্টর লৈঙাক্তা কয়ামুক য়াম্না মাঙজবা লৈবগে? ইন্দিয়া মনুংদা থোকপা কাঙলূপকী ঈরাংদা বফর জোন থম্ফম থোকপ্রা? বফর জোন হায়বসি নাকল অমনা ফ্রীদা থারগা নাকল অমনা মখূৎ পুনশিল্লগা থম্বা অদুবু খঙনব্রা? বফর জোন ঙাক্লিবা সেন্ট্রেল ফোর্সনা নাকল অমগী মীচংদা লেপফম থোকপ্রা? বফর জোন হায়দুনা থল্লিবসি লান শোক্লরিবা নাকল অনীনা ৱারী শানদুনা লান লোইশিন্নবা হোৎনজৌ হায়বগী ৱাহল্লা? ইন্দিয়াগী অশেংবা নাগরিক ওইরিবা মীতৈশিংদগী ম্যান্মারগী লমহেনবা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংদনা হেন্না লূম্না লৌরিবসি করিগীনো? ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মনুংদা করি অরোনবা এজেন্দা লৈবগে? হায়বা ৱাহং কয়া কয়া অসি হংনরক্লি।

ঙসিদি মীতৈ পূম্নমক্লা চুড়াচান্দপুরদা ইপিসেন্টর ওইরগা লান্দারকখিবা মে ৩, ২০২৩, যূমশকৈশা নুমিৎ অমসুং নোংঙানবগী নুমিৎ নীনিগী মতম অরেম্বদা মাঙহন্দুনা হৌহনখিবদা মীতৈশিং পূম্নমক নীংঙমদবনা মপূক্লিং লৈতাফম খঙনদ্রে। হায়বদি মতম অমগী অমেরিকাগী ২৬শুবা প্রসিদেন্ট ওইবিরম্বা লৈখিদ্রবা Theodore Roosevelt না হায়রম্বা ৱাহৈ- কনাগুম্বা মীওই অমনা খঙদে, লৈবাক অমনবু খঙদে খৎনবা হেক হৌরকপগা ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা অমা পুরক্লবদি খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মদু নত্তদুনা খৎন-চৈনবগী ফীভমদা লাক্লবদি য়াদে হায়বদু খঙজহৌনবা মতুংদা অমুক হন্না চিফেৎ চিফেৎ কাইহৌরক্তনবা খৎনবা হেক অহৌবা নুমিত্তুদা অমুক হন্না হৌগৎ কাংখৎলকপা ঙমদনবা অমুক্তংগী খূৎথাদা ‘মমিৎতা মমা উনবা থাহৌগদবনি-!’ হায়বদু তৌহৌদবা অদুগীনি। ●

# আইনগী মীৎয়েংদা : মণিপুরগী ফম্নাইবশিংনা নেসনল এমব্লেম্বু লান্না শীজিন্নবা থিংংসি

- টি ঐচ কামিনি কুমার -

মণিপুরগী ষ্টেট এমব্লেম শীজিন্নবা য়ারবা ফম্নাইবশিংনা ষ্টেট অসিগী ষ্টেট এমব্লেম লৈনা লৈনা করিগীদমক্তা নেসনল এমব্লেম ওইনা শীজিন্নরিবনো? মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা খঙহনবা মতম য়ৌরে হায়নীংই। মসিগী মরমদি মণিপুরগী ওইনা লৈরিবা ফম্নাইবশিংনা নেসনল এমব্লেম শীজিন্নবা হায়বসি লৈবাক অসিগী লৈরিবা আইনবু শীংনবা ওইনা থোকই। মসি নৈনসি।

মে ৯, ১৯৭৭তা মণিপুরগী ওইনা ষ্টেট এমব্লেমগা মরী লৈনবা ওর্দর থোকই। ওর্দর অসিনা ‘কংলাশা’ বু ষ্টেট এমব্লেম ওইরে হায়না লাউথোকই। মার্চ ২০, ১৯৮০দা ‘মচি অনী পানবা কংলাশা’ অমসুং মসিগী মখা ‘কংলাশা’ হায়না থাবা অসিনা মে ৯, ১৯৭৭কী ওর্দরদু শেমদোক্লগা ষ্টেট এমব্লেম ওইরে হায়না লাউথোকই। মার্চ ২১, ১৯৮০দা থোকপা ওর্দর অমনা মার্চ ২০, ১৯৮০গী ওর্দরদা য়াওবা ‘কংলাশা হায়না থাবা’ অদুগী মহুত্তা ‘নোংশাবা হায়না থাবা’ অসিনা শিন্দোক্লে হায়না খঙহল্লি। ‘মচি অনী পানবা কংলাশা’ হায়বা ৱাহৈশিং অসি লেংহন্দনা থম্লগা ‘মখাদা নোংশাবা হায়না থাগনি হায়বসি অরানবা অমনি।

দিসেম্বর ১২, ১৯৮০দা থোকপা ওর্দরগী মতুংইন্না মমাঙদা থোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লিগা মরী লৈনবা ওর্দর পূম্নমক থমখ্রগা ‘মচি অনী পানবা কংলাশা অমসুং মখাদা কংলাশা হায়না থাবা’ অসিনা ষ্টেট এমব্লেম ওইরে হায়না লাউথোকই। ওর্দর অসিদা ষ্টেট এমব্লেমগী শক্তম অমসু য়েক্তুনা তাকই। দিসেম্বর ১২, ১৯৮০গী ওর্দরদা উৎলিবা শক্তম অসিনা ষ্টেট এমব্লেমগী অশেংবা শক্তম ওইরে। হায়রিবা ষ্টেট এমব্লেম অসিগী শক্তম অসিদা নেসনল এমব্লেমগী শরুক অমত্তা য়াওদে। মসিনা মরম ওইরগনি মণিপুরগী ফম্নাইবশিংনা নেসনল এমব্লেম শীজিন্নবদা আইনবু শীংনৈ হায়রিবসি।

ইন্দিয়াদা নেসনল এমব্লেম মথোং মরম খঙদনা মানা মানা নীংবদা শীজিন্নরকপা থিংনবা হোৎনবদা আইনগী মায়কৈদা খুদোংচাদবা কয়া লৈবদগী পার্লিয়ামেন্টনা দি ষ্টেট এমব্লেম ওফ ইন্দিয়া (প্রোহিবিসন ওফ ইমপ্রোপর য়ুজ) এক্ট, ২০০৫ শেমখি অমসুং এক্ট অসি সেপ্টেম্বর ১২, ২০০৭তগী চৎনবা হৌখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টনা শেম্লিবা এক্ট অসিগী সেক্সন ১১গী মখাদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ‘দি ষ্টেট এমব্লেম ওফ ইন্দিয়া (রেগ্যুলেসন ওফ য়ুজ) রুলস, ২০০৭ শেম্মী। রুলস অসিগী রুল ৪দা ষ্টেট অমনা পাম্লবদি নেসনল এমব্লেম ষ্টেট অদুগী ষ্টেট এমব্লেম ওইনা শীজিন্নবা য়াহল্লি। নেসনল এমব্লেমগী শরুক খরা ষ্টেট এমব্লেম অমদা হাপচিনগে হায়রগনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী অয়াবা হান্না লৌরগা য়াহল্লি। নেসনল এমব্লেমগী ওইরিবা শক্তম পার্লিয়ামেন্টনা শেম্বা এক্ট অসিগী সেদ্যুলদা ময়েক শেংনা উৎলি।

রুল ৫ অমসুং ৬তা ওফিসল সীল অমসুং চে-চাংশিংদা নেসনল এমব্লেম শীজিন্নবা য়াবা ওথোরিটিশিং অদুদি রুলস অসিগী সেদ্যুল ১দা য়াওরিবশিং অসি খক্তংদা য়াহল্লি। সেদ্যুল ১গী মতুংইন্না নেসনল এমব্লেমনা ষ্টেট অদুগী ষ্টেট এমব্লেম ওইরবা নৎত্রগা নেসনল এমব্লেমগী শরুক খরা ষ্টেট অদুগী ষ্টেট এমব্লেমদা হাপ্পা ওইরবদি ষ্টেট অদুগী গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টরশিং, ওফিস অমসুং দিপার্টমেন্টশিং অমসুং ওফিসরশিং, লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ওফিস অমসুং ওফিসরশিং অমসুং ষ্টেট লেজিসলেটরগী আইন অমনা নৎত্রগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লীংবা নৎত্রগা শেম্বা কম্মিসন অমসুং ওথোরিটিশিংনা নেসনল এমব্লেম শীজিন্নবা য়াই। অসুম্না রাজ ভবন, ষ্টেট লেজিসলেটর, হায় কোর্ট অমসুং সেক্রেটরিএট কী শঙলেনশিংদা নেসনল এমব্লেম থেৎপা (দিসপ্লে) য়াই। রুলসকী সেদ্যুল ২ পার্ট ১গী মতুংইন্না রাজ ভবনগী কারদা নেসনল এমব্লেম থেৎপসি নেসনল এমব্লেমনা নৎত্রগা ষ্টেট এমব্লেম অদুদা নেসনল এমব্লেমগী শরুক খরা য়াওরবা ষ্টেট এমব্লেম ওইরবা কান্দা য়াই। মখা তানা সেদ্যুল ৩গী মতুংইন্না সেদ্যুল ১দা নেসনল এমব্লেম শীজিন্নবা য়াই। হায়রিবা ওথোরিটিশিংনা ভিজিটিং কার্দ, গ্রীটিং কার্দ অসিনচিংবদা নেসনল এমব্লেম শীজিন্নবা য়াই। হান্না মন্ত্রি, মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট নৎত্রগা লেজিসলেটিভ এসেমব্লি, জজ অমসুং থবক্তগী পোত্থারবা ওফিসলশিংনা রুলস অসিনা অয়াবা পীদ্রবদি নেসনল এমব্লেম শীজিন্নবা য়াদে। নেসনল এমব্লেম য়াওবা লেট্টর হেদ, ভিজিটিং কার্দ অমসুং গ্রিটিং কার্দনচিংবা মী অদুগী মমিংদা প্রোফেসনেল ক্বালিফিকেসন নৎত্রগা প্রাইভেট প্রোফেসন হাপ্পদা অথিংবা লৈ। রুলস অসিনা পীরিবা ৱাফমশিং অসিদা যুম্ফম ওইরগা মণিপুরগী ফম্নাইবশিংনা নেসনল এমব্লেম শীজিন্নবা হায়বসি দি ষ্টেট এমব্লেম ওফ ইন্দিয়া (প্রোহিবিসন ওফ ইমপ্রোপর য়ুজ) এক্ট, ২০০৫ অমসুং এক্ট অসিগী মখাদা শেম্বা দি ষ্টেট এমব্লেম ওফ ইন্দিয়া (রেগ্যুলেসন ওফ য়ুজ) রুলস, ২০০৭কী মায়োক্তনি।

মথক্তা খন্নরিবা ৱাফম অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লে মদুদি মণিপুর মশাগী ষ্টেট এমব্লেম লৈজবতা নত্তনা নেসনল এমব্লেমগী শরুক অমত্তা মসিদা য়াওদে। মসিনা মরম ওইরগা সেদ্যুল ১গী ৱারোল ঙাক্লা চৎপা ওইনা মণিপুরগী গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টরশিং, দিপার্টমেন্ট অমসুং ওফিসশিং অমসুং ওফিসরশিং, ওফিস অমসুং ওফিসরশিং ওফ লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অসিনচিংবশিংদা নেসনল এমলেম শীজিন্নগে হায়না লেপ্লবদি এক্ট অমসুং রুলসকী মতুংইন্না থবক লৌখৎপীয়ু। নৎত্রগনা নেসনল এমব্লেম শীজিন্নবদা অথিংবা থম্বীয়ু। মসিনা ষ্টেট অসিনা লৈবাক্কী ওইবা আইনবু ইকায়খুম্নবতা নত্তনা ঙাক্লা চৎলি হায়বদু উৎকনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ‘ঐ ওইরম্লবদি লৈক্রক অহোবা অমা থিরগা চঙদুনা শিজখ্রগনি’

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

কংলৈপাক (মণিপুর) অসিদা হৌজিক-হৌজিক থোক্লিবা মীতৈ অমদি কুকি-জৌ নার্কো টেররিষ্টকী লান অসিনা মরম ওইরগা মীশি-মীনা, ময়ূম-মকৈ মৈ থাদোকখিবদগী মীওই লিশীং ৫০/৬০ হেনবনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা মফম মরাং খঙদনা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরিবসিগী মথক্তা কংলৈপাকসিদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈমিন্নরকখিবা ফুরুপ খুদিংমক্তসু অৱাবা কয়া মায়োক্লরবা ফাওবদা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল লৈঙাক অনীগী দবল ইঞ্জিন অসি ষ্টিয়ারিং, ব্রেক অমদি ইঞ্জিন পূম্নমক ফেল ওইদুনা পাম্বৈ শুংলৈ লৈত্রবদৌনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরিবসি য়াম্না নুংনাংনীংঙাই অমা ওইরি। মালেমগী সুপর পৱারগী মনুং চম্লবা ইন্দিয়ানা হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসি শুপ্নগী মীতৈ অমদি কুকি ফুরুপ অনীগী নত্তে, চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টকী লাননি হায়বসি মালেম শিনবা থুংনা খঙলবা ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙশিন্নদনা লৈথোকখিবগা লোয়ননা মালেমগী মীয়ামদা ৱাশকপা য়ানবগীদমক মথৌনা ফরবা ইন্দিয়াগী লান্মী লিশীং ৭০/৮০বু মখূৎ পুল্লগা থাজিল্লকখিবনা মণিপুর মীয়াম্না চাগদবা চিঙ্গাক পূম্নমক চারগা লানসিগী ভাবোক ওইদুনা কুম্মৈ য়েংলগা লৈরে। অদুগা অমরোমদা কুকি নুপীশিংগী মখল কয়াগী মথেল লুক্লোইশিং চারুরবা সিফাইশিং ওইরমদৌ মাল্লি মরক-মরক্তা কুকিশিংগী সপোর্ট তৌরক্তুনা মীতৈশিংদা ওনশিল্লকপা থৌদোক কয়ামসু ঙসিগী মীপূম খুদিংমক্লা খঙনদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা মরম ওইরগা লমদমসিগী মীওইশিংনা হংনরক্লিবা ৱাহংসিদি মমাঙগী মীখলশিংদা লৈবাকসিদা থম্বাল লৈশাৎ তম্নবগীদমক্তা ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক্লা পোপি প্লান্টেসন অমদি সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী অয়াবা পীথোকখ্রবা হায়বসিনি। মখোয় মখোয়না তৌজখিবা থবক্লি করিগী খঙলোই, থৌনা ফনা মীয়ামদা ফোঙদোকপা ঙমদ্রিবা করিগীনো? মসিনা তাকপদি মখোয়দা পুকচেল শেংদবা অরোনবা ঈচেল অমা অদুম চেল্লি হায়বদা থোইনা লাল্লোইদ্রা খঞ্জে। অদু নৎত্রগবু সুপর পৱার পায়বা ইন্দিয়ানা থোক্লিবা ইস্যুসি লোইশিনবদা হাপ্তা অমসু চঙলোই। তশেং তশেংনা ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক্লা মণিপুরদা থোক্লিবা লানসি ৱারোইশিন অমা পুবিরকপা ঙম্লোইদবা লৈরবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু ইন্দিয়াগী সিক্যুরিটি ফোর্স পূম্নমক লৌথোকপীখ্রো। লোয়ননা লৈঙাক পায়বীরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংসু ইশা ইশাগী ফম কোন্দুনা লৈবীরগনু। কংলৈপাক (মণিপুর) কী ওইনা থেঙ্খাং খরদা নিংথৌ পানখিদবা মতাংসু লৈখ্রে অদুবু ইমা লৈবাক কংলৈপাক্কীদমক লাইওইখ্রবা ইপা-ইপু কয়ানা থৱায়না পোন্থা পীদুনা ঙমখৈ ঙাক্তুনা থম্বীরমখিবা ইরমদমসি কন্ননবা কংলৈপাক্কী ইরৈচাশিংনা অকি তুজুংবা য়াওদনা থেংনজরগে।

**অদোমগী - বি কে মঙাং,** লিলোং ইম্ফাল ৱেষ্ট

## থৱায়গী মমল খঙনা হিংমিন্নসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

সাইন্স অমসুং মীতৈ লৈশেম্লোনগী ৱাফমনি। ৱাংবদগী ৱাংবা থাক্তা লৈরিবা ইপা সোরারেলদগী থৈথরক্লগা তাইবঙগী পন্থৌ ইপাদা তাইবঙ ‘থৱায়’ না থাবুম অনী পল্লমই। তুংদা পন্থৌ ইপাদগী পলেমদা থৈথরক্লগা ইমাগী পীবুকনুংদা তাইবঙ হকচাংদা থৱায়না শাদোংদুনা থাবুম তরা লৈরবগী তুংদা মীওইবা কৌবনা তাইবঙদা মঙফাওনরকই। অদুনা থৱায়না পন্থৌদা পল্লম্বগী ‘পন্থৌ ইপা’ অদুগা থৱায় হকচাং তাইবঙনা পল্লম্বগী ‘পলেম ইমা’ অদুম্না মীওইবনা মিঙ্গৌনৈ। অসি ৱাফম লৈবনা মীওইবগী হকচাংদা শকউদবা থৱায় কনানা উঙমদনা মীওইবা হায়বা অদুদা শাদোংলমই হায়বগীদমক থৱায়গী মমল নাইদে হায়রিবনি। হিংলিঙৈ মীওইবগী পুন্সিনা থৱায় কৌবনা হকচাংদা শাদোংলিবা মতম অদু ফাওবদমক অহিংবনি মহায়বা অদুগা থংনবা মিকুপ্তা থৱায়না হকচাংদগী খাইনখ্রবা মতুং হকচাংবু অশিবা ওইহনবা ঙম্বা থৱায় অদুবু পামই নুংশি হায়দুনা মীওইবনা মমল পীদুনা ইশাগা শাগোন্নবা ঙম্ব্রা?

অসুক হকখ্রবা মীওইবা তাইবঙনা উঙমদ্রবা থৱায়বু মশক খঙদনা মীওইবশিংগী মরক্তা মশানা মশাবু খোংজাইনি মশক তাকচবা মীওইবা ফুরুপকী মীওইশিংনা হৌখিবা মে ৩, ২০২৩গী নুংথিলদগী চুড়াচান্দপুরদা লৈবা মীতৈ ফুরুপকী মীওইশিংবু হাৎপা, ময়ূম মকৈ মৈ থাদোকপীবগী মওং কয়া চথরকপা ইজরিবা নুমিৎ অসি ফাওবা লেপ্পা লৈতনা চথরি। হাৎন-শুনবা, যূম কৈ মৈনচিংবা থাদোকপা থোইদোক্লা তঙাইফদবা ওইদবা মরমগীদমক মীওই কয়াগী পুন্সি নুপী অঙাং, অহলনচিংবগী থৱায় কয়া য়াওনা খাঙুথক্তা পিখম্নহনবা হায়বসি থৱায়গী মমল তশেংনা খঙদবা অদুগুম্বা কাঙলূপ ফুরুপ অমনি। মশানা মশাবু মীওইবনি হায়না খঞ্জবগী ৱাফমদা মঙাইরবনি। অসি ৱাফম লৈবনা লাই লাইনীংগী তুংইন্না পাউতাক ঙাক্লা ইন্না থৱায়বু মশক খঙনা হিংমিন্নবা লৈমিন্নবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গী লোনচৎনি। হৌখিবনা হৌখ্রবসু লাক্কদৌরিবা মতম অসিদদি ফুরুপকী খেন্নবা লৈতনা ঙসি ঐখোয়গী শুরোলনা হিংমিন্নবা লৈমিন্নবা তুংগী শুরোলগীদমক তঙাইফদবরা?

তশেংবসু ঙসি লৈবাক অসিদা চহী কয়াগী মমাঙদগী খুন্দা লৈতামিন্নরিবা ঐখোয় ফুরুপ হায়বা ৱাহৈ অদুখক্তনা খেন্নবা থমদুনা মীওইবনা ওইহনবা ঙম্লরোইদবা থৱায় অদুবু শাওরিবনি য়ানীংদ্রিবনি হায়দুনা খাঙুথক্তা হেক্তমক পিখম্নহনবদি কাঙলূপ অনীমক্কী মীওইশিংনা খজিক খন্থবা ৱাৎলোইদ্রা হায়না পাবীরিবশিংদা থমজরি। মীওইবনা ফনমক চুম্বা মরম ওইদুনসু থৱায় হকচাং অনীগী খেন্নবা খঙদনা লমন শিংবগী ৱাখল্লোন্দা খাঙুথক্তা খায়নহল্লবা মহাক অদু অচুম্বা মশক খঙদ্রবা তাইবঙ মীওইবনি। হাৎন-শুনবনা মীওইবনা কৈদৌঙৈদসু ঙসিগী অমদি তুংগী শুরোলনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা লৈমিন্নবা ওইথোক্লোই। থৱায়গী মমল খঙদবা থৱায় মশক খঙদবনা মতৌ করম্না মহাক অদুনা মীওইবা মরক্তা হিংগনি। কনানা মহাক নৎত্রগা ফুরুপ অদুবু তাইবঙ পানবা কনানা কি-তুক্কৎচনা তৌরোইদবগী মরম করিগী লৈরোইদগে? ৱাফমশিং অসি লৈবনা খোংজাই ফুরুপকী লুচিংবশিংনা চিন-কুকিশিংবু ইনশিন্দুনা মীতৈশিংবু হাৎতোকহনবা লেপ্তুবা, অমরোমদা মীতৈশিংনা মশা ঙাকথোক্লবা হোৎনরকপদা তঙাইফদনা মীওইবা ওইরিবা চিন-কুকিশিংগী থৱায় কনবীবা থৌদাং লৌবীদুনা কাঙলূপ অনীমক্কী মীওইশিংনা থৱায় মশক খঙনা তুংগী শুরোনগীদমক খন্থমিন্নদুনা নুংশি চান্ননা ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নসি। মালেম ইমানা য়াইফরে! পোক্লফম লমদম ইমানা মহেল্লে।

**অদোমগী -অহন্থেম ইরাবোৎ মীতৈ,** খুরাই থোইদিংজম লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট

## নীংশিংলুবদা চন্দ্রনদি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হন্দক মে ৩, ২০২৩দা কুকিশিংনা মীতৈদা খৎনবা হৌরকপসি শেম্বীবা মপুগী থৌইনশিন্নি। কুকিনা মীতৈদা খৎনবা হৌরমদ্রবদি মখোয়গী অরোন অথুপ কয়া অমদি মখোয়না মীতৈবু কয়াম নুংশিদবগে হায়বদু ঐখোয়না মতম চানা খঙবা ঙম্লম্লোই। কুকিশিংনা যুম্ফম লৈতবা ৱারী কয়া শেমজিন-শাজিন্দুনা য়েলহৌমী শানবা হোৎনরকপা, মীতৈগী লমবু মখোয়গী মপা-মপুনা থম্বীরম্বা লমনি হায়বগী ৱারী কয়া পুথোক্লবা হোৎনরকপা, মীতৈবু য়েলহৌমী নত্তে হায়নীংলকপা, মখোয়গী শাগৈ নাতৈশিংবু অতোপ্পা লৈবাক কয়াদগী মণিপুরদা লোন্না পুশিল্লক্তুনা মখোয়গী মীশিং য়াম্নবা হোৎনরকপা, অসিগুম্বা অরোনবা থবক কয়াসি শেম্বীবা মপু মানদি উদবা নত্তে।

মমাঙঙৈদগী হৌনা কুকিশিংবু মীতৈনা চঙজফম পীদুনতা লাক্লিবা, চানীংঙাই থক্লিংঙাই লৈতদুনা কোইঙাওননা লৈখিবা মতমদা মীতৈশিংনা পীজ পীথক তৌদুনা সেবা তৌবীখিবা অমসুং মণিপুরদা লৈহনখিবদু শেম্বীবা মপু মানদি খঙদ-উদবা নত্তে। নত্ত-ওইদবতনা যুম্ফম ওইরগা শাগৎলকপা ৱারী কয়া অসিগা লোয়ননা মখোয়না কাঙলোন চুমদনা শেঞ্জাও পায়খৎলকপা অমদি মপান লৈবাক্তগী শাগৈ নাতৈ লেপ্তুনা অসুম পুশিল্লক্তুনা মতম কুইনা লৈখ্রবদি, পুকচেল চাওবা, ধর্ম্ম লৈবা, মীনুংশি খঙবা মীতৈ হায়বা কাঙলূপসি মাঙখিবা তারে খল্লুবদা শেম্বীবা মপু মখোয়গী ৱাখল্লোন অমসুং থৌইনশিন্দো মপূং ফাদ্রিঙৈদা, মরম ইরৈ লৈতনা মীতৈদা খৎনবা হৌহল্লক্তুনা মখোয়গী অরোনবা শেমজিন শাজিনবা শক্তমদো মালেমগী মীওইশিংদা খঙবা ঙমহল্লে। হৌজিক্তি মীতৈনসু কুকিগী অশেংবা শক্তমদো নীংথিজনা খঙবা ঙম্লে। হন্দক্কী থৌদোকসি থোক্লমদ্রবদি, মতম কুইনা লৈখ্রগা, ওইদবা ৱারী কয়ানা অচুম্বা ৱারী ওইখিদুনা মীতৈসু মশাগী লম লৈজদবা কাঙলূপ অমা ওইরকপা য়াবগী মওংদা লৈরমগনি। অসিগুম্বা থোকহন্নীংদবা থৌদোকসি তুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা ঐখোয়না তঙাইফদবা থৌদাং খরা লৌদ্রবা য়াদ্রবনি।

মণিপুরগী ঙমখৈ মচেৎ তানা কায়রোই হায়বগী থাজবা খরদি লৈরে, অদুবু কায়বা য়াবগী ময়ি অমদি লৈতবা নত্তে। ওটোনোমস কাউন্সিল পীবগী ৱাফমসু লৈরে। ওটোনোমস কাউন্সিল পীবসিনা মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাকপগী অরোইবা ৱারোইশিন ওইবা য়াগদ্রা? মণিপুরগী ঙমখৈদা শীংনরকপা অসি তুংলমচৎতা অমুক হন্না থোরক্লোই হায়বগী থাজবা লৈরবরা? লৈত্রবদি ঐখোয়না থৌরম পরেং কয়া পায়খৎবগী তঙাইফদবা লৈ। লাঙ্গৈই চনগে হায়রবদি লাং থাকপা হৈবা তাবনি। মীতৈদি লাং থাকপগী ৱাখল্লোনসি খরা ৱাৎপগুম তৌই। লাং থাকপগী মহুত্তা, মীগী লাংদা চঙদনবা ঙাকথোক্তুনা লৈগল্লি। লান তৌবগী মহুত্তা চেকশিন্না লাং করম্না অমদি কদায়দা থাক্কনি হায়বসিদি নুংগী ওইবা ৱাফমনি। মণিপুরগী সী এস ওশিংগী লুচিংবশিংনা অমুক্তং চেকশিন্না তান্নবীয়ু।

তুরেল মচা কয়ানা অচৌবা তুরেলদা ঈতিনফম ওই। অচৌবা তুরেলসু, তুরেল মচা কয়া ঈতিল্লরবদগী অচৌবা তুরেল ওইবা ঙমজবনি। চেন্থরক্লিবা তুরেল মচাগী ঈচেলদু নাথৈদুনা চৎখিদনবা, মপূং ফাবা অচৌবা তুরেল অমা ওইনা অচৌবা ঈপাক্তা তিন্নবা ঐখোয়সু হোৎনসি। তুরেল মচাশিংসে খূৎশেম্না নাথৈহনখ্রবদি অচৌবা তুরেলদুসু ঈশিং মতিক চানা ফংদবগী চন্দ্র নদিগী ফীভম ওইরক্কদরা হায়বগী চিংনবা লৈ। তুরেল মচাদি ঈচেল কনবনি অমসুং য়াম্না ঙাওবনি অদুগা অচৌবা তুরেলদি মবুক তপ্পনি, য়েংবদা তমজনীংঙাইনি।

কিলোমিটর ৩৯৮ শাংবা ম্যান্মারগা থংনবা ঙমখৈবু থিংজিল্লগা, এন আর সী পাঙথোক্লগা, সূ লৌথোক্লগা, পোপি থাবা থিংলগা, মপান্দগী চঙলকপা মীতোপ কদায় ফাওবা থিংবা ঙমগদগে? অসাম অমসুং বাংলাদেশকী ঙমখৈদা বাউন্দরি ফেন্সিং লৈ অদুবু কদায় ফাওবা মায় পাকপগে বাংলাদেশতগী মী চঙলকপা হৌজিক ফাওবা লেপ্পা লৈতে হায়নরি। অসামদা এন আর সী পাঙথোকখ্রে অদুবু কদায় ফাওবা কান্নবগে? মপান লৈবাক্তগী মীতোপ চঙলকপা নত্তনা মণিপুরগা থংনবা ষ্টেটশিংদগী চঙলকপা মীওইশিংদা য়াম্না চেকশিনবা মীৎয়েং থমহঞ্জনীংই। নাগালেন্দগা ম্যান্মারগা থংনবা ঙমখৈ অমদি মিজোরাম অমসুং ম্যান্মারগী থংনবা ঙমখৈদি সিল্ড তৌবা হায়বদি থিংজিনবগী ৱাফম লৈতে। অদুগা এন আর সী তৌবগী ৱাফমসু তাদে। মরু ওইবা মিজোরামদগী চঙলকপা অমদি অসামদগী চঙলকপা মীওইশিংদা চেকশিনবা মীৎয়েং থম্ফম থোকই। ইন্দিয়াগী ওইবা ভোটর আই দি নৎত্রগা আধার কার্দ পায়বতনা ইন্দিয়াগী অশেংবা নাগরিক ওইগনি হায়বগী অরেপ্পা লৈতে হায়বসি ময়াম্না খঙনরবনি।

**অদোমগী - ডা. সোইবম হরিদাস**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩

১) **“মিৎয়েংগী ৱাংমদা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

২) **“ৱাশক্লে ইমা নঙগীদমক/ঐখোয়নি অনৌবা যুগকী থোঙশঙবা/শঙগনি ভারতকী মালেম/অমত্তা ওইনা তিন্ননা/”** পীজরিবা ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? মহাক্কী লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) **“কামায়নী”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) **“পিরাংনা চৈহৌই ঐবু”** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমনা ইবা ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা লাইরিকনি। অইবা অসি কনানো?

৫) **“ৱারীনি তুরেল ৱাংমগী”** হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।